₹

www.sanaleibak.in

# SANALEIBAK সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তুনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে



লোক সভা মীখলদা বি জে পি অমসুং মহাক্কা চংমিন্নরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা য়াম্না চাওনা মায় পাক্লকপদা বি জে পিগী ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরী রাম মাধভতা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা বুকে খুদোল তক্পগী শক্তম



বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এডুকেসন মণিপুরনা লৌবা কুমজা ২০১৯গী ঐচ এস এল সি একজামিনেসনদা মার্ক ৱাংনা ফঙলকখ্রবা হেরিটেজ কনভেন্টগী মহৈরোইশিংদা স্কুল মেনেজমেন্ট কম্মিটিনা ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখিবগী শক্তম



লাইনিং অমদি ইনাৎ য়োকখৎপা অপুনবা মালেম,কংলৈপাক্ল শীন্দুনা ক্লসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকপা বুমেন(দল্লিয়ু ও দল্লিয়ু) এক্সিলেন্স এৱার্ড ফঙখ্রবী খাঙেম্বম হেম্বোই (রঞ্জিতা) লৈমা ওকপা থৌরমগী শক্তম

Volume No: 43 Issue: 178 | IMPHAL SUNDAY 26 MAY, 2019 | নোংমাইজিং কালেনগী ২৩নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাকপু হুন্দুনা ঙাঙলিবশিংবু ঙাওহনগে হায়রবদি মখোয়বু থওই ৱাওইনা তৌরুনু

## অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৪.৬° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৬.৮° সি
নোংজুগী চাং ঃ ২.৫ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৪.২৮
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.৫৪

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৭.৯২
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.৭১

গ্যাসকী পাউ লাঃ ৬ তা

## লোইরেদনা

মমাঙদি পৱার পায়বগা লাক্ষ তাবা ফুরিৎ লীৎলেনা ৱা..ৱা.. লাওনখি !



হন্দক্তি হেক হৌবগা সনাগী কোলহাপুরী চেম্পল তোংখাইগে !

# অনৌবা লৈঙাক শেম্নবা নরেন্দ্র মোডিনা প্রসিদেন্ট উন্নখ্রে

### তরাতরুকশুবা লোক সভা মুখৎখ্রে,১৭শুবা লোক সভা লিংনবা থবক লৌখৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, মে ২৫(এজেন্সি)ঃ

য়ুনিয়ন কেবিনেটনা ঙরাং লৌখিবা ৱারেপ মতুং ইন্না ঙসি প্রসিদেন্ট রাম নাঠ কোবিন্দনা ১৬শুবা লোক সভা মুখৎখ্রে,১৭শুবা লোক সভা লিংনবা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে।

কন্সটিট্যুসনগী চৎন–কাঙলোন অমত্তা কায়দনা মীখলদা য়াম্না চাওনা মায় পাকখ্রবা বি জে পিগী লুচিংবা নরেন্দ্র মোডিনা ঙরাং প্রাইম মিনিষ্টরগী ফম থাদোকপগী চেরোল পীশিনখি। অনৌবা লৈঙাক অমা শেমদ্রিবা ফাওবা মহাক অমসুং মহাক্কী কেবিনেটশিং মহৌশাগুম মথৌ তৌখিনবা থৌদা পীরকখি। কন্সটিট্যুসনগী পরিং কায়দনা ঙসি নুমিদাংৱাইরম প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা মপাং অমত্তা য়াওদনা রাষ্ট্রপটি ভবনদা প্রসিদেন্ট রাম নাঠ কোবিন্দগা উন্নখি। মখোয় অনী উন্নবা অদুদা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমগে হায়না বি জে পিগী লূচিংবা নরেন্দ্র মোডিনা ফোঙদোকখি।

থাজবা য়াবা পাউঅসিনা মখা তনা হায়,করম্বা মতমদা অনৌবা লৈঙাক ৱাশক লৌগদগে হায়বা চপ–চানা খঙদ্রগসু লাক্লিবা মে ৩০দা মীয়াম তিনবা থৌরম অমদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌরবা য়াই। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ৱাশক লৌবগী থৌরম অসি রাজ ভবনদা পাঙথোকপগী মহুৎতা মীয়াম তিনবা মফম অমদা ওইনা পাঙথোক্লবা খন্নরি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, পি এমনা প্রসিদেন্ট উন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মপুং ফাবা টিম অমনা রাম নাঠ কোবিন্দ উন্নদুনা ১৭শুবা লোক সভা মীখলদা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট অমা খূৎশিন্নখি। চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার সুনিল অরোরা, ইলেক্সন কম্মিস্নার অশোক লভাসা অমসুং সুসিলচন্দ্রনা গভর্ণরনা মায় পাকখ্রবা কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট শীন্নখি।

রাজ ভবননা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়,ঙরাং ১৬শুবা লোক সভা দিজোল্ব তৌননা য়ুনিয়ন কেবিনেটনা লৌখিবা ৱারেপ অদুগী মতুং ইন্না প্রসিদেন্ট রাম নাঠ কোবিন্দনা খুদক্তগী ১৬শুবা লোক সভা মুখৎখ্রে। কন্সটিট্যুসনগী কাঙলোন মতুং ইন্না অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্ননবা ১৭শুবা লোক সভা লিংননবগী থৌরাংসু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্টনা লৌখৎপা হৌখ্রে।

পাউঅসিনা মখা তনা হায়,অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্ননবা প্রসিদেন্ট উন্নদ্রিঙৈগী মমাঙদা ন্যু দেল্লিদা লৈবা পার্লিয়ামেন্টকী সেন্ট্রেল হোলদা পাঙথোকপা মায় পাক্লক্লবা এন দি এগী মীরেপশিংগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোকখি। মীফম অদুদা নরেন্দ্র মোডি এন দি এগী লুচিংবা খনখি। মদুগী মাঙওইননা বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি পার্টিগী মীফমদা মহাকপু লুচিংবা ওইনা খনখি।

### রাহুল গান্ধীনা ফম থাদোক্কে হায়বা ৱাফম কোংগ্রেস ৱার্কিং কম্মিটিনা য়াখিদ্রে

ঙসি পাংথোকখিবা কোংগ্রেস পর্টিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱারেপ লৌবা ঙম্বা বোদি – কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটিগী পূং ৪ চুপ্পা পাংথোকখিবা মীফমদা পার্টি চীফ রাহুল গান্ধীনা হন্দক্কী লোক সভা মীখল মায়থিখিবগী দায়ত্ব লৌদুনা ফম থাদোকলগে হায়রকখিবদা পার্টি অসিনা য়াখিদ্রে। অদুবু মসি ওইদুনসু রাহুল গান্ধীনা হৌজিকসু মখা তানা ফম থাদোক্লবগী ফিরেপ লৌরি।

পার্টিগী খ্বাইদগী মরুওইবা লূচীংবা ৫২না মেম্বর ওইরিবা কোংগ্রেস ৱার্কিং কমিটি (সি দবলিয়ু সি)দা রাহুল গান্ধীনা মহাক্কী মমা সোনিয়া গান্ধীদগী পার্টি লূচিংবগী ফম অদু লৌরকখ্রবা চহী অমা মখাইরোমগী মতুংদা মহাক ফম অদুদগী থাদোকপা পাগ্লে হায়খি।

ঐখোয়না ঐখোয়গী লাম্বেং মখা চৎখিগনি। ঐহাক কোংগ্রেসকী নিতি–নিয়ম ইনবা লাম্নী অমনি অমসুং অদুগুম্বা লাম্নী অমা ওইনা অদুমক লৈখিগনি অমসুং অকিবা লৈতনা লাম্বেং মখা চৎখিগনি।

ঐহাক্লা পর্টি প্রসিদেন্ট ওইনা লৈবা পামদ্রে। পার্টি প্রসিদেন্টগী ফম অসি গান্ধী ফেমিলিদগী ওইগদবনি হায়না মথৌ তাবা লৈতে হায়না রাহুল গান্ধীনা হায়খি হায়রি।

লৈবাক অসিগী অরিবা অচৌবা পার্টি অসিগীদমক হিংবা–চংবগী ৱাথোক অমা উংলে হায়না মীওই কয়ানা হায়নরিবা হন্দক্কী মীখলগী মায়থিবা অদুগী পোষ্ট–মোর্টেম অমদা রাহুল গান্ধীনা ঙসি মকোক থোঙবা কোংগ্রেস লূচিংবশিং দা ৱা ঙাংখি।

মিষ্টর গান্ধীনা পার্টি ৱার্কর অমা ওইনা থবক তৌনবা প্রসিদেন্টকী ফম থাদোকপগী ফিরেপতা চেংনা লেপ্তুনা লৈখ্রে হায়বগী পাউশিং তান্নখিবগা লোয়ননা মিনিট ৪৫ রোম মতম থেঙথনা হৌখিবা সম্নপ্পা পাউদ অমদা পার্টিগী ৱাঙাংলোইশিং অমসুং মীহুৎশিংনা কোংগ্রেনা মহাকপু মথৌ তাই হায়খি।

কোংগ্রেস লূচীংবা কয়ামরুম্না ৱা ঙাংখিবা প্রেস *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*

## কামজোংদা য়েন শিখিবদু রানিখেৎনা ওইরম্লে

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ

কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কামজোং এরিয়াদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা য়েনশিং লেপ্তুনা শিবগী থৌদোকশিং থোকখিবা অদু নিউ কাষ্টল দিজিজ হায়রগসু খঙনবা রানিখেট দিজিজননি হায়বা চপ চানা খঙলে হায়রি।

পাউচে অসিগা দাইরেক্টর ভেটেরিনরি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি সর্ভিসেস ডা. ঐচ চাউবগা ৱারি শান্নবদা হায়, হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী কামজোং এরিয়াদা য়ুমদা য়োকপা য়েনশিং পাত্তক্লনা শিবগী পাউফংবদগী দিপার্টমেন্টকী দিজিজ ইনভেষ্টিগেসন লেবোরোটোরিগী টিম অমা মফম অদুদা থাজিনখিবনি।

টিম অদু মফম অদুদা য়ৌরবা মতুংদা অকুপ্পা রিপোর্ট লৌবগা লোয়ননা মফম অদুদগী ইম্ফালদা থুংলরে। টিম অদুনা হনলকপা মতমদা য়েন অনাবা অনীখক সেম্পল ওইনা পুরকখি। য়েনশিং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌবা মতমদা রানিখেট দিজিজনি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙম্লে হায়না ডাইরেক্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, কামজোং এরিয়াদা শিখিবা য়েনগী মশীং অসি চাউরাক্লা য়েন ১০০ রোমনি। য়েনশিং অদু য়ুমদা লন্নাই ওইনা খরা খরা লোয়জবা ঙাক্তনি।

রানিখেট হায়রিবা লায়না অসি নাবু নারবদি চম্মদা ১০০ শিগনবা য়েনগী লায়না মখল অমনি। মসিগী লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক্তদি য়েন অদু নাদ্রিঙৈদা ভেক্সিনেসন তৌগদৌবনি। নাবু নাখ্রবদি হিদাক কাপ্লবসু মদুগী কান্নবা ফংদে। মরমদি হিদাক অসি কাপথোকখ্রবা মতুংদা মদুগী ইম্যুনিতি পেরদ অসি নুমিৎ ১০ দগী ২০ ফাওবা শাংনা চঙলিবনি।

লায়চৎ ওইনা লাকপা মতমদদি রিং ভেক্সিনেসন তৌদুনা কিমি ২ গী *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*

## এম্বুসতা এ আরগী পার্সনেল ২ শিরে,অতোপ্পা ৪না শোক্লে

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ ইন্দো–ম্যান্মার বোর্ডর ময়াদা লৈবা নাগালেন্দগী মোন দিষ্ট্রিক্টকী মফম অমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম এন এস সি এননি হায়না চিংনবা খূৎলাই পায়বা মীওই কাঙবু অমনা এম্বুস তৌরকপদগী অসাম রাইফলসকী পার্সনেল ২ শিরে, অদুগা অতোপ্পা পার্সনেল ৪না ফিভম থিনা শোকপদগী জোরহাঠতা লৈবা ইয়ারফোর্স বেজ হোস্পিটালদা লায়কন্নখ্রে।

এজেন্সিগী পাউ অমনা হায়,আসাম রাইফলসকী কাঙবু অমনা মহৌশাগুম পেট্রোলিং চৎলিঙৈদা মখোয়না তোংবা গাড়ী অদুগী মপা ওইরপ্পা মতিক–ময়াই চেল্লবা বোম অমা পোকখায়হন্দুনা এটেক তৌরকখি। মদুগী মতুং তারকপদা অসাম রাইফলসকী পার্সনেলশিং অদুগা খূৎলাই পায়বা লালহৌবশিং অদুগা অকনবা মওং দা নোংমৈ কাপ্নখি। নোংমৈ কাপ্নবা অদুদা এ আরগী পার্সনেল অনী অদু লৈখিদবনি হায়রি।

## এৱার্ড পীরগনি

ইম্ফাল,মে ২৫ঃ য়ুনাক্কো ষ্টাফ এসোসিয়েসন,খোঙমননা শীন্দুনা চহী খুদিংগী পীদুনা লাকপা মেরিটোরিয়স এৱার্ড লাম্বোকপগী থৌরম চহীসিগী ওইনা লাক্লিবা জুন ২দা য়ুনাক্কো স্কুল মল্টিপর্পজ হোলদা পাঙথোক্লগনি।

এৱার্ড অসিবু ফঙবা য়াবা ষ্টেট বোর্ড, কাউন্সিল অমদি সি বি এস ইদগী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বতা চাদ ৬০গী মথক্তা ফঙদুনা মায় পাক্লবা খোঙমন জোন–১দগী জোন–৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংনা মশা–মশাগী মার্ক সিট অমদি শক্তাক–চে অমমমগী ফোটো কোপীশিং খোমন জোন–থ্রিদা লৈবা য়ুনাক্কো স্কুলদা থাসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীয়ু হায়না এসোসিয়েসনগী মায়কৈন্দগী খঙহল্লক্লি।

## এন পি এফকী লুচিংবশিংনা দেল্লিদা সি এম বিরেনগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে

ইম্ফাল,মে ২৫(এস এন এস)ঃ

মীখলগী ফল লাওথোক্লিঙৈগী মমাঙদা মীফম পাঙথোক্তুনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা শৌগৎপা লেপ্নবগী ইন প্রিন্সিপল ওইনা ফিরেপ লৌখ্রবা এন পি এফকী এম এল এশিংনা ১৭ শুবা পার্লিয়ামেন্টকী মীখলদা মায় পাক্লবা পার্টিঅসিগী মীরেপ ডা. লোরহো এস ফোজেবু দিল্লিদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উন্নদুনা মশক তাকখ্রে হায়রি। লোয়ননা এন পি এফকী লুচিংবশিংনা বি জে পিগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংগসু উন্নখ্রে হায়রি।

প্রেসনা দিল্লিদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙরাং নুংথিলদা এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট অৱাংবৌ নিউমাইনা লুচিংদুনা পি ঐচ ই দি মিনিষ্টর এল দিখো অমসুং এম এল এ কে লৈসিয়োগা লোয়ননা নৌনা পার্টি অসিগী এম পি ওইনা মীখলদা মায় পাকখ্রবা লোরহো এস ফোজেনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি হায়রি।

অমরোমদা, এন পি এফকী লুচিংবশিংনা চীফ মিনিষ্টরগা লোয়ননা বি জে পিগী নেসনেল জেনরেল সেক্রেটরী রাম মাধবকসু উন্নদুনা এন পি এফকী নৌনা এম পি কারবা ডা. লোরহো এস ফোজেবু মশক তাকখি হায়খি। *মখা লমায় ৩দা...*

*মখা লমায় ৩দা...*

